থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ভাবোক মমায় তাবা ! চৎনবী ওন্থোকপা চুম্বরা ?

- ঈতৈমা ! ওজা লৈখিবরা ?

- লৈবনি, লৈবনি, নঙগী ওজা হনুবদু হন্দক মেত্রিক পরিখা হৌদৌরিবদুদা থানি হায়ব্রা কৈনো, মাগী লাইরিক পাফমদুদা কুল্লমগনি। চঙঙু। ঐনা কৌরবদি খুল্লক্লোই।

মপান্দা ঙাঙনখিবদু তায়। ঐ ওজা নত্তে। ঐনা মহৈ তম্বীরকখিবা মহৈরোয় অমত্তা লৈতে। থবক ফংদ্রিঙৈ চহী অম'নি প্রাইভেট ট্যুটর ওইরিঙৈগী ঐগী ছাত্র-ছাত্রিশিংদুসু নোংমতা উখিদ্রবনি। মপান্দা, ঐগী চন্না-থোইবী, ঐবু উবদা নোংমতসু হরাও-মায়থোঙ উৎখিদ্রবী, ঐসি মাবু ৱাহন্নবা, ওৎননবা পুন্সি-খোঙলোয় ওইরিবনি হায়রগতা পেনজবী, ঐনা পামজবা শিনফমসিদা নোংমতসু পুক্নিং-থাগৎ-ৱাহৈ হায়খিদ্রবীদুগা ৱারী শানখিবদুদি অতৈ কনা নত্তে - পুন্সি-শিনফম ওইনা পায়রম্বা শিন্থা নত্তবা, হোব্বী হায়গদ্রা পামজনা তৌরম্বা থবক 'ঠিয়েটর' হায়বা শিনফমদুদা মতম শাংনা লোয়নরম্বা, 'বিদ্যা-লমশি'নি, পুন্সিবু হিংহনবা ঙম্বা শিনফম নত্তে হায়দুনা থাদোক্লগা, মপুগী মিংখৈ শক-শোনবসু য়াওবা, মীনসু ঈকায় খুম্নবীবা, নুপী-অঙাং-মচা-মশু থাকপদসু মতেং ওইনবা শিনফম-সংকীর্তন ঈশৈ শকপা ওইখ্রবা 'রতন'নি। ঐনা রতন কৌজবনি, অতোপ্পা মিং অমদু ওইনা হেন্না খঙনৈ ঈশৈগী লমদদি।

- 'ওজা ! খুরুমজরি নচানা', ঐগী খোঙ শোক্তে হায়বতং খাল্লগা নক্না কূন্থরগা হায়রকখি, 'কুইরে ওজা উদবা, খুদৈ খরগা সাল অমত্তগা কৎচরমগে চঙলকপনি'। সাল অঙৌবা অমগা, ফৈজোম অমগা, মথক্তুদা নুপা চাম্মা চৎপী অমা তোংহল্লগা পীরকখি। নাকন্দা লৈরিবা প্লাষ্টিক খাউদুদা য়াওরিবা ঈরু-খুদৈদুদি কয়ানো খঙদ্রে।

ঐগী ইফম থোকপা খরদু ইন-ইনা ৱারী শানৈ। লৈত-লায়র, ইমুং-মনুংগী ৱারীনি। থাজদে, ঙরাংতা ওইরবোই নীংই। মচাদু কোলেজ তম্লম্লে। মথক-মখা লৈবা য়াবা চেক্কী য়ুম অমসু শরে হায়। ফোটো য়েংহল্লি, মোবাইলদা। চহী কুন্থ্রাহুমদোই থবক তৌরম্লগা পোত্থারবা ঐগী য়ুমসিদগী ফজবা হেল্লি। সুমাঙদা লৈরিবা হীগোক মচুগী কারদুসু মাগী ওইরিনি। হংলুদে। পায়রিবা এন্দ্রোইদ মোবাইল ফোন হেন্দ-সেত অদুসু লীশিং কুন হেন্না পীবনি। ঐ খঙই। ঐগীসিনা লীশিং মঙা। কুচু-কুমেন, ফিজেৎ-ফিরোল-মঙাল নাইনা হিংলে হায়বা তাকচৈ।

- ওজা ! ওজাগী ঠিয়েটর'দি কমদৌরিবগে ?

ৱাহংদু মরৌ লৈনা হংই হায়বা ঐ খঙই।

- রতন ! ঐগী লীলাগী ৱা হংলক্কনু। মণিপুরী ঠিয়েটর শিখরক্লবসু ঐ হিংলিবমখৈ ঐগী ঠিয়েটরসু হিংখিগনি। হায়য়ু, নঙ কমদৌরি ?

- ঐবুদি নুংঙাইরিয়ে ওজা। ওজাদি নুংঙাইবা মান্দবা। অদুদা নুংঙাইতদুনা হংবনে ... কুমসিগী ফাইরেন থাসিদি, ওজা বার্ত্তন'সে খু'কুঙ অমা, লৈপাকপোকপা থাংজ'কাসে পাঞ্জিনসু নুমিৎ হেক্তা পীশিল্লমাল্লে, নুমিৎ লৈতদুনা তৌরি' ওইরমাল্লে ... অদো, মতাঙ চারিঙৈদা ওজাদা ৱা অমত্তা হায়জহৌগেনে ... নোংমাইজিংখক তোক্লগা নিংথৌকাবদগী থাংজ ফাওবা হুইয়েন লানপাউগী সেকেন্দ পেজদা ইরিবা থম্মোয় পাউদমগী হুইয়েন-ইন্দুদো ওজ ানি হায়, চুমব্রো'?

মচীন মখা য়াম' নুংশিবা অঙাংনি। ৱাঙাং-শাঙাং নুপী মানবা মতৌ অমা হাইফেৎ ঈরোইনবনি। চৈরবসু শাউবা হৈতবদুদা ঐ নোংমতসু মঙোন্দা চৈখিদে। 'মীনা হায়নরবদি চুল্লম্ল'নি - করিগীনো নঙনা ঙসি হংলিবদি ? নঙবু হুইয়েন লানপাউ পাব্রনে'?

- পাইয়ে ওজা! ঐদি নহানখৈ খঙদবা। ঈচে অনুরাধানা হায়রকপনি ... ওদো, ফরে, ওজা ওইরম্লবদি য়াম' ফরে, হয়েংলা হংচিৎলা, ওজানা খল্লগা অমুক্তা ইবীরকউনে - লুহোং-কৈহোং, শ্রাদ্ধ-কর্ম্ম, নাহুৎ-নারেং শেল থাবদা মমাংদা ফম্বা ভাবোকসু য়াওনা থাবসি চৎনবী অমা ওইখৎলক্লিবসিগী মরমদা।

ঐহাক হাইফেৎ নোক্লিংলুরে, 'কৈদৌরগে ... নোয়গী ঈশৈদু পুক্নিং চঙনা তাবীবগী মখোয়সু খরা ফংজসনু কৈনো ... মখোয় খরদি তঙায়ফদনা ফমদা য়াদবগী ফমদুনা নখোয়গী ঈশৈদু নীংথিজনা তারেদনা ... অতৈদি, দন্দি ওইনা, বার্ত্তন ফংবগী চৈরাক ওইনা শেল থারম্লগা সৎ-সৎ চৎখিনি, তাবীনবা য়াওদবা ঈশৈদুদি শক্লুবগী করি কান্নে ?'

- অদু'ই ৱা নত্তে ওজা ... ঐখোয়দি সঙ্কীর্ত্তন ময়ায়দা থোক্তুনা সেবা (থৌগল) অমা তৌজরিবনি, মখোয়গী থৌগল তৌরিবনি ... নহান দাক্তর অমগীদা শক্লুবদু ঐখোয়গী লুপা লিশিং কুনমুক তারম্বদু, ভাবোক অম্মমগীসু লিশিং তরামঙা-তরুক তায় হায়'...।

ও ... মহাক্না ঐঙোন্দা হায়রিবা ৱাফমদু মণিপুরগী মচী-মচীদা কন্না ঙাঙনরক্লিবা, অচৌবা ইশ্যু অমা ওইরক্লবা ৱাফম্নি। চৎনবী অসি মতম খরগী মমাংদদি লৈরমদে। হোয় চুম্মী। শোন্নপুংদা শক্লিবা ঈশৈদু, হৌরবা পুঙ অমসুং করতালগী মখোলগা ঈরোয়নবনা তাফম খঙদে, রস লৌফম খঙদদুনা শৈফমদু থাদোক্তুনা সৎ-সৎ চৎনবগী মওং অমা লাকপদগী চেবাও পীবদা 'ভাবোক' হায়না থারগা 'পোৎয়েং লৌরোইদবা বার্ত্তন' ওইনা তৌরগা, শোন্নপুংগী অকোয়বদা অখন্নবা ফমফম খরা থারগা য়ুম্বুদুনা 'অখন্ননা পি অমদি শেল' মখোয়দা থাবগী চৎনবী অমা হৌদোক্লকখি। অখন্নবা অহল খরবু ঈকায় খুম্ননা কৌনরকই। অদুদগী, ভোৎ লেপকদবা অমদি অকাবা এম এল এশিংসু য়াওশিল্লকখি। মখোয়গী মতুং ইনবা, শেল পায়বা থীকাদার/ওফিসরশিং থোক্লকই। ঙসিদি, থৌদোক অমগী বার্ত্তন ফংদুনা চৎলগা 'শোন্নপুংদা মিংখৈ শোল্লিবা থৌগল্লোয়শিং শেল থারম্লগা ভাবক মমায় তাবা (শেল থাবা) তৌরমদবা মীশক্তু ইজ্জৎ লৈতবা/থৌগল্লোন খঙদবা মীশক অমগুম্না লৌনরকপগী থাক অমদা লাক্লে। নোংমা, কুইখিদ্রি, অহল কৌবা য়াদ্রিবা, ঐগী লোনগী মরুপ অমনা হায়রমখি ... 'খুৎপায় শেল লৈতবা, ঈচানসু পীয়ু য়াদ্রবা, লৈকাইকী কর্ম্ম থিরগা মমাং পরেংদা ফম্লুচো, চয়োল অমগী খুৎপায় শেলদি ঈরায় লায়না ফংবনি ... ঙরাং লুহোংফম অমদা ফম্লুববু লিশিং অহুম ফংলকই' ...।

লৌশিং পুক্কে

# স্বাইন ফ্লূগী মরমদা খঙজিনবা য়াবশিং

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মণিপুরগী মীওই খরদা স্বাইন ফ্লূ পোজিটিব ওইবা থেংনখিবগী পাউ মীয়াম্না তানখ্রে। হৌজিক হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা পাক্তক্লা শন্দোরক্লিবা ২০১৯ নোভেল কোরোনাভাইরসনি চিংনবা মীওই খরগী ব্লদ সেম্পলশিং টেষ্ট তৌনবগীদমক থাবদা মীওই খুদিংমক্তা কোরোনাভাইরস নেগেটিব ওইরমখি। মসিগী মহুত্তা মীওই খরদা য়াম্না মাইল্ড ওইবা মওংদা স্বাইন ফ্লূ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনরকখিবনি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ২০১৯ নোভেল কোরোনাভাইরস অসিবু পব্লিক হেল্থ ইমর্জেন্সিনি হায়না লাউথোকখিবা লৈরবনি। তমথিরবা অনৌবা কোরোনাভাসরস অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি লায়েংনবগীদমক হৌজিকফাওবগী ওইনা হীদাক-লাংথক লৈতবনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম খুদিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা অকি-তুজুংবা পোক্লরিঙৈ চৈরক অসিনা স্বাইন ফ্লূগী অকিবা অসিসু অমুক থোক্লকখিবনি। লমদম অসিদসু স্বাইন ফ্লূগী কেস লৈরকপগা লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়াম্না স্বাইন ফ্লূগী মরমদা মমূৎ তানা খঙবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমা ওইরি। স্বাইন ফ্লূগী মরমদা খঙজিনগদবা খরা মখাদা পীরি।

স্বাইন ফ্লূ হায়বসি ওকতগী মীওইবদা য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক ওইনা শন্দোরকপা ঙম্বা লায়না মখল অমনি। মসি মীওই অমদগী মীওই অমদা য়াম্না লায়না শন্দোকপা ঙম্বা রেস্পিরেটরি দিজিজ অমনি। লায়না অসি ইনফ্লুএঞ্জা এ ভাইরস মখল ময়াম অমা লৈবগী মনুংদা অমনা থোকহল্লি।

ওকশিংগী মরক্তদি লায়না অসি দাইরেক্ট অমদি ইনদাইরেক্ট কন্তেক্ট তৌবদা, মনিলশিংদগী, অমদি ইনফেক্টেতি তৌরগা সিম্পটোমশিং উত্তবা ওকশিংদগী শন্দোকই। মালেমগী মফম কয়াদা ওকশিং অসি স্বাইন ফ্লূগী ভেক্সিন কাপথোকই।

স্বাইন ফ্লূ অসি অয়াম্বনা ঐচ১ এন১ ইনফ্লুএঞ্জাগী সবটাইপ ওইগল্লি। অদুমওইনমক করিগুম্বা মতমদা ঐচ১ এন২, ঐচ৩ এন১ অমদি ঐচ৩ এন২গুম্বা সবটাইপশিংদগী লাকপসু য়াওই।

কুমজা ২০০৯দা থোকখিবা স্বাইন ফ্লূগী লাইচৎতা মীওইবদা শোকহনখিবা অদু ঐচ১ এন১ সবটাইপনি। মরুওইনা খঙজিনগদবা ৱাফমদি স্বাইন ফ্লূ হায়বসি ওকতগী শন্দোরকপা ওইরগসু, ২০০৯ দা থোকখিবা লাইচৎ অদুদি ওকখক্তুংদগী লাকপা ওইখিদে। লাইচৎ অদু উচেক, ওক অমদি মীওইবদা নাবা ফ্লূ অহুম অসিগী ফ্লূ জিনশিংগী অপূনবা অমা ওইখি।

স্বাইন ফ্লূগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম খরা মখাদা পীরি

- স্বাইন ফ্লূ হায়বসি মহৌশানা ঐচ১ এন১ ইনফ্লুএঞ্জা সবটাইপ ওইবনি। অদুমওইনমক, কুমজা ২০১৭ দগী হৌনা ঐচ৩ এন২ সবটাইপসু দোমিনেন্ট ষ্ট্রেন ওইরকখি।

- মীওইবদা স্বাইন ফ্লূ নাহল্লকপগী খ্বাইদগী তোয়না থোক্কনবা মওংদি ওকতগী লৌনরকপা অসিনি।

- হৌজিক হৌজিক্কি ওইনা স্বাইন ফ্লূগী ভেক্সিন অমা লৈরে, মসিদা ষ্টেন্দর্দ সিজনেল ফ্লূ সোটসু য়াওজরে।

স্বাইন ফ্লূগী সিম্পটোমশিং:

মীওইবদা নাবা স্বাইন ফ্লূগী লাইওংশিং অসি অয়াম্বনা চুম্নগী ফ্লূ (লোক থুংবা)গা ইমান মান্নে। লাইওংশিংদি:

- হকচাং চীকপা নাবা
- নিংথম চনবা
- লোক খূবা
- কোক চীকপা
- খৌনাউ নাবা অমদি নুংঙাইতবা
- লাইহৌ
- চোকথবা অসিনচিংবশিং য়াওই।

স্বাইন ফ্লূনা নারবা মীওই অমনা ওবা অমদি দাইরিয়াসু তৌবা য়াই, মসিদি তোয়নদি থোক্কন্দে।

সিম্পটোমশিং অসি ইচম চম্না লোক থুংব (ফ্লূ) গা চপ মান্ননা লায়েং চত্থদুনা মেনেজ তৌবা য়াই। অদুমওইনমক, মীওই অদুদা স্বাইন ফ্লূনা নাবরা নাদবরা হায়বদু খঙনবগীদমক দোক্টর অমনা এগজামিন তৌগদুনা সিম্পটোমশিং করম্না ফহনগদগে হায়বদু পাউতাক লৌগদবনি।

ভেক্সিন: মীওইববু স্বাইন ফ্লূগী ঐচ১ এন১ ষ্ট্রেনদগী ঙাকথোক্লবা ভেক্সিন অমা লৈরে। ভেক্সিন অসি কুমজা ২০০৯ অমদি ২০১০দা মালেম পূম্বগী ওইনা থোকখিবা স্বাইন ফ্লূগী লাইচৎ অদুগী মতমদা পুথোকখিবনি।

স্বাইন ফ্লূগী ষ্টেটস অসি পান্দেমিক হায়বদি মালেমগী মফম কয়াদা পাক শন্না য়ৌবা লাইচৎ ওইরম্বদগী হ্যুমেন ইনফ্লুএঞ্জাগী সিনজেল টাইপ ওল্লক্লে। স্বাইন ফ্লূগী স্পিসিয়লাইজ ভেক্সিন ওইনা শীজিন্নরম্বা অদু হৌজিক্তি হেন্না জেনরেল ওইবা সিজনেল ফ্লূ শোটশিংনা ওইনা মহুৎ শিল্লক্লে।

মশাগী চহী ১০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা ভেক্সিন অসি অমুক্তুং কাপ্পা মথৌ তাই। মশাগী চহী ১০গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংগী ওইনদি ভেক্সিন অসি শোট অনীরক চয়োল মরী কান্নরগা কাপগদবনি হায়না য়ু এস ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ দি এ)না রেকম্মেন্দ তৌরি।

য়েরুমদা এল্লর্জি তৌবা মীওইশিং অমদি অজমা য়াম্না কন্না নাবা অঙাংশিংদদি ভেক্সিন অসি কাপ্পা মতমদা থোকহন্নিংদবা রিএক্সন থোকপা য়াবগী রিস্ক লৈ। মরম অদুনা হেল্থক্যের প্রোফেসনেল অমগা তান্নরগা কাপকদবনি। অসিগুম্বা মীওইশিংদা পামদবা রিএক্সন অসি থোক্তনবগীদমক্তা তোঙানবা থৌরাং লৈ।

## অমুকোগী মপোক কুমওন থৌরমগী মাঙওইননা রেসিদেন্সিএল কম্ম্যুনিটি লিদর্স মীট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী ২৭শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী মাঙওইননা নুমীৎ হুম্নী চত্থগদবা রেসিদেন্সিএল কম্ম্যুনিটি লিদর্স মীট ঙসিদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী আর্থ সাইন্সকী হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম য়ুগী প্রোফেসর অমর য়ুম্নমনা হায়খি, কুমজা ১৯৪৯দগী ঙসি ফাওবদা ওইরক্লিবা ফীভমদা ক্রিটিকেল ওইবা কয়া থেংনরি। হৌজিক ফুরুপশিংগী ওইনা মাঙদা তারিবা হায়রগদি চাউখৎ থৌরাংদা মীগীদা নপ্পগা চাউখৎপা অদু নত্তে। চাউখৎপদা শমজিন্নবদি য়াই। অদুবু ঐখোয়গী ওইবা চাউখৎপা হায়বদু নৎত্রবদি চাউখৎপা ঙল্লোই। কুমজা ১৯৪৯ গী মতুংদা মাঙদা তারিবসি নেসনল রিছোর্স হায়বা লাক্লি। মীঙোন্দা নপ্পগা চাউখৎপগী মহুৎতা ঐখোয়গী ওইবদা চাউখৎপদা পুথোক্ল বা হোৎনসি। ঐখোয়গী লৈজরিবা রিছোর্সনা দিভলপমেন্টতা থেংনসি হায়বা চহী খরা অসিদা লাক্লে। ঐখোয়গী সনা থোকফম থিবদা সনা খক্তা নত্তনা থিবদুদা অতৈ পোত্থোক কয়াসু থেংনরগনি। ইশানা থিজবা ওইরবদি থেংনরিবা খূদিংমক ঐখোয়না ফংগনি। সিভিলাইজেসন্দা রিছোর্স ফজনা শীজিন্নবা তমসি। ঐখোয়গী ফ্যুচর হায়বসি ফুরুপ, কাঙলুপকীসু ফ্যুচর লৈগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা হায়খি, তুংগী মীরোলগীদমক পুৱারী শেম্মিন্নসি। পুৱারী নৈনবা মীদি য়াম্না লৈরে। পুৱারী শেম্বীনবদি লৈত্রি। মণিপুরদা ফুরুপশিংগী ওইবা ওর্গনাইজেসনদি য়াম্না লৈরগা মীয়ামদা সুম ৱারকপা অসিনা সিভিল ওর্গনাইজেসনদা ৱাহং অমা লাক্লে। সিভিল সোসাইটি ময়াম লৈরগা করিগী মীয়াম ৱাহনগদৌরিবনো। সিক্স সেদ্যুল হায়বনচিংবা অসিদা মিস অন্দরষ্টেন্দিং লৈরিবসি খঙমিন্নবা চঙই। মণিপুরগী পুৱারীদা তোঙানবা হিষ্ট্রি শেম্নবসু হোৎনবা লৈ। ফুরুপশিং পুন্না মণিপুরগী পুৱারী শেম্মিন্নসি। হুন্নরগা অরোইবদা মীনা লৌখিবগী ফীভম লাক্কনি। ঐখোয় খঙমিন্নবা চঙই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা কুকি ইনপিগী প্রসিদেন্ট খাইমাং চোংলোইনা হায়খি, কম্ম্যুনিটিশিং পুন্দুনা খন্ন-নৈনবা য়াম্না কান্নে। কম্ম্যুনিটি ময়ামগী মরক্তা রেস্পেক্ট লৈনবা তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা রবিতা মদারিয়া অরাবিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি সলাতুর রহমননা ফুরুপশিং পুন্না খন্ন-নৈনবগীদমক নুংঙাইবা পোকই হায়খি।

থৌরমদুদা অমুকোগী জেনরেল সেক্রেটরি থোইথোইনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, লমদম অসিদা হিংমিন্নরিবা ফুরুপ কয়াগা পুন্না ৱা তামিন্নবা অমদি তুংগী লাইবক শেম্বা ঙম্নবগীদমক লিদর্স মীট অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কলচরেল হোলিদে পিছ কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০(ঐচ এন এস): সেরৌদা লৈবা য়ুনিভর্সেল হোমদা থা অসিগী ৬তগী পাঙথোরকখিবা নুমীৎ ৫নিগী ওইবা কলচরেল হোলিদে পিছ কেম্প ঙসি লোইশিনখ্রে।

কেম্প অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা কেম্পর লিশিং ১ হেনবনা শরুক য়াখি। কেম্প অসিগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা ওর্গনাইজেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল লোয়ুম্বনা অরোইবা নুমীৎকী ৱাহৌদোক পীখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, পুয়াগী পূ অহুম চাইনবগী মরমদা খঙমিন্নবা চঙই হায়না থমখি। লোইশিন ৱারোল পীরদুনা য়ু এফ ওগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. কে মুক্তাসনানা মীয়ামগী থবক তৌগদবা মী য়াল্লোই। মী ১০০না চাগদবা চাক মী ১০০ না থোংলোই, ১০ না থোংগনি হায়বা লুচিংপুরেল আর কে মনিসনাগী ৱাফম নৌহৌননা নীংশিংখি। লোইশিনবগী থৌরমদা এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ৱাঙু জি পিগী নোমিনি রোমেনকুমার অমদি সেরৌ জি পিগী প্রধান নাওবিচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

## নুমিৎ হুমনিগী ওইবা এগ্রিকলচর মার্কেটিং ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচ এন এস): নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ এগ্রিকলচর মার্কেটিং (এন আই এ এম) জয়পুরগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রি-ব্যুজিনেস কোন্সোর্টিয়ম অমসুং কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) থৌবাল অনীনা পূন্না শীনমিন্নদুনা ইনহেন্সিং এগ্রিকলচরেল মার্কেটিং থ্রু ভেল্যু এদিসন ওফ হোর্টিকলচর ক্রোপস হায়বসিদা নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) থৌবালগী ত্রেনিং হোলদা হৌদোকখ্রে।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর লোইশঙগী দিরেক্টর এম এস লালতনপুই ভানচোং, আই এ এসনা অথোইবা মীথুং, মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রি-ব্যুজিনেস কন্সোর্টিয়মগী প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর এম এস খাইদেম, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট ওফিসর কে এস ঐচ নবকিশ্বর অমসুং কে ভি কে থৌবালগী সবজেক্ট মেট্টর স্পেসিএলিষ্ট (এগ্রোনোমি) এন তোম্বনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোলদা দিরেক্টর লালতনপুই ভানচোংনা হায়, হৌজিক মালেমগী ওইনা চানবা চিঙ্গাক লৌউ-শিংউগী পোত্থোক পুথোকপদা ওর্গানিক ওইবা অসিদা হেন্না মায় ওনশিল্লক্লবা মতম অসিদা অসিগুম্বা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা শিন্দুনা ভেল্যু লৈবা হোর্টিকলচরগী পোত্থোক মনা মশিংশিং পুথোক্তুনা শেন্দোং লৈনা মার্কেটিং তৌনবগীদমক মায়কৈ অসোমগী লৌমীশিংদা লৌশিং পীবা হায়বসি য়াম্না ফবা অমনি। ত্রেনিং অসিদগী লৌমীশিংনা ওর্গানিক ওইবা পোত্থোক পুথোকপদা শোয়দনা মায় পাক্না চঙশিল্লক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ওর্গানিক ফার্মরগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা অমদি লৈবা য়োনবগী, এগ্রি-বেজ প্রোজেক্টকী ফন্দ করম্না ফংগনি, হৈ-রা, মনা-মশিং লীবা, পেকিং তৌবা, ক্লাইমেট চেঞ্জদা মোদর্ন ইনোটশিং শীজিন্নবা, লৈবাক লৈহাও শেম্বা, নহা ওইরিবশিংনা হৈ-রা, উহৈ ৱাহৈগী প্রোসেসিংদা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিপ হায়বনচিংবশিংদা সী এ য়ু ইরোইশেম্বা ইম্ফালগী কোলজ ওফ ফুদ টেক্নোলোজিগী এসোসিএট প্রোফেসর ডো. এন জি জয়কুমার, কে ভি কে ইম্ফাল ইষ্টকী এস এম এস (হোর্টিকলচর) ডো. প্রিয়াদর্সিনি সলাম, কে ভি কে বিষ্ণুপুরগী এস এম এস এগ্রিকলচর এক্সটেন্সন ডো. তরাজিৎ, সাইন্টিষ্ট ডো. টি বসন্ত, কে ভি কে থৌবালগী ফার্ম মেনেজর ডো. দল্লিয়ু জিতেন, এস এম এস হোম সাইন্স) শ্রীমতি আর কে লেম্বীস্না, এসিষ্টেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসর (এম ও ভি সী দি) এগ্রি কে ঐচ নিমাইচান্দ, কে ভি কে তমেংলোংগী এস এম এস (হোর্টিকলচর) ডো. আর কে রোসন, ফুদ সেফটি ওফিসর ইম্ফাল ডো. নোঙাল্লে পেবম অমদি এন আই এ এমগী দেপ্যুটি দিরেক্টর (স্কিল এন্দ মার্কেটিং) ডো. এস আরনচিংবনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা তাকপী তম্বীখি।

থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টতগী লৌমীশিংনা নুমিৎ হুমনিগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি।

ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯂꯤ / নীংশিংলি ইমা ঙসিসু



চম্ফো খ্বাইরাকপম ওংবী

১১-০২-২০০৬

কুমওনসিনা লাকপসিদা
খম্নুং শৱা তানখ্রবী
অমন শিংগুমনখ্রবী পলেম!
ইমা নহাক্না কায়নখিবা কুমওন মশীং য়াল্লক্লে
ইমাবু নীংশিংগনু হায়বদি য়াদ্রি নচা ওইবা ঐখোয়না।
মঙলান্দা উবা নত্তনা ইমাগী চেংলৌ শক্তমবু উবা ফংদরে।
ইমাগী শক্তমদা তল্লি অৱা-নুংঙাইগী মপাউ
তাবীদ্রে ইমানদি অশি-লৈবাক্তা লৈখ্রবনা।
শরিক মখোল তাদ্রবা মীৱা-মীশা লাংদ্রবা লাইগী লৈবাক
লাইরৈবাক্তা ঈংনা চিক্না য়াতাবীয়ুকো ইমা।
মীৎলু পিরাং পিরোইননা নচা ওইবা ঐখোয়না খুয়া খাদা নোঞ্জরি।
মপোক লাংওন খুদিংদা ইমা ওইনা ফংজগে।

ইমাগী খুয়াখাদা :

১) মীনা অঙোম ওংবী (মচানুপী)
২) অনন্দি খ্বাইরাকপম ওংবী (মমৌনুপী)
৩) পুন্যবতি খ্বাইরাকপম ওংবী (মমৌনুপী)
৪) সুশিলা থোকচোম ওংবী (মচানুপী)
৫) দীপালি খ্বাইরাকপম (মশুনুপী)
৬) য়াইসনা খ্বাইরাকপম (মশুনুপী)

১) কাল্লু অঙোম (ময়ানুপা)
২) দেবেন্দ্র খ্বাইরাকপম (মচানুপা)
৩) ঈশ্বরচন্দ্র খ্বাইরাকপম (মচানুপা)
৪) অনন্দ থোকচোম (ময়ানুপা)
৫) ৱাংথোইসনা অঙোম (মশুনুপা)
৬) লাইঙম খ্বাইরাকপম (মশুনুপা)
৭) লমঙানবা খ্বাইরাকপম (মশুনুপা)
৮) মনিমতুম থোকচোম (মশুনুপা)

HL-P/6154/11

অৱাং সেকমাই মখা লৈকায়।

ADMISSION OPEN

[illegible]


"LULLABY"

A Child Care Cum Pre-School

Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point

- A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
- 1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
- Total Child Care
- Nutritious Food
- Child Psycological Development
- Well Equipped Playing Facilities
- Accurate Teacher and Child Ratio
- Session starting from 6th February, 2020.

Kinder pool and twinkle kids system of education



Monthly Tution Fees are free for this academic year as an introductory offer.

6009103078

HL-P/4570/19-28jan.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।০২।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা; অয়ুক পুং ৬.১৯ ফাওবা ফাইরেলগী ১৭নি পাল্লি, মতুং ১৮ নি পানগনি।

**মেষ :** মীনা লাকচবা ঙমলোই অদুবু অশাওবনদি নথক থোংবগা মুক্নবা য়াই-তপথৌ। নচা-ননাইগী লম্দা পূক্নিং পেনগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওই, নীংবা থুংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল খরা ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** ফিংবা অমদি য়েৎনবা তৌগনু-খুদোংচাবা লৌনবা ঙাইয়ু। অরুবা থবক্তা শেনজাও থাদবা য়াগনি, ঙাঙথোকপদা মীয়াম্না শোইদনা চানগনি। নক্লবদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাইঙমদবা তৌগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা ।

**মিথুন :** নচাক নরল থোইনা চাওখৎপা নুমিৎনি, অনৌবা থৌরমদগীনা হেন্না কান্নবা ফংগনি। অঙম-অথৌনা শোইদনা চানবীগনি অমদি অচুম্বতনা পান্বে ওইয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**কর্কট :** মরুপ-মপাং য়াম্না ফংগনি, মীঙোন্দা লৈখিবা লন লৌশিন্নবা হোৎনবা য়াগনি অমদি ৱাখল নুংঙাইথোকপা ঙমগনি। মীৱা লৌবনা কাইনবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**সিংহ :** হরাওবা, মীচং অমদি শেন্দোং য়াম্না ফংজৌ হায়বা নুমিৎনি। খোইরাং-খোইশাওনবনা পামদবা নংবা য়াবসু লৈগনি । অরং-অরাক চেকশিঞ্জবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা :** অখঙ-অহৈ শাবনা মরুপ-মপাংগা মরী ফরোই অমদি ইমুং-মনুং নুংশিনবা খরা ৱাৎকনি। নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌগনু, য়েৎনরুনু -য়েক্নবনা পাঙ্গল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম খরা ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/ য়াইঙং।

**তুলা :** শেল অমদি মীচং ফংগনি। ফত্তবা ৱাখল্লোন পোকপা অমদি লৌশিং খরা থোকপা ৱাৎপা ওইবনা পূক্নিং ৱাবা খরদি লৈগনি। অখঙ-অহৈগী ৱাদি তাবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** মীকোক থোংগনি, পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈবনা কনানসু লাকচবা ঙমলোই, খুদক্কী ৱারেপ লৌবা য়ারনি। মীয়াম্না থাগৎপিবা নুমিৎনি-খুৎচাও থাহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** অফবা মীংচৎ শোইদনা ফংগনি, তুংগী পোরম য়াৎপা য়াগনি অমদি পাংঙমদবা থবক পাংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। নরলদা মীনু চংই, য়েৎনবদা লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনবনা য়াইফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** খল্লুদবা নুংঙাইবসু ফংই, লম চৎপসু কান্নবা ফংগনি অমদি পাউ নুংঙাইবা তাগনি। অদুবু খুরৌ থাংবসূ লৈ অমদি লোয়নবনা য়েংশিনবা লৈ-থিবা হুম্বা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - থাজদনা হরাওগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা নুমিৎনি। লল্লোন-ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি অমদি য়েক্লবা হন্থগনি। নোল্লুকপা ৱাৎলদি অমদি মীতোপ থাজরদি কাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী -নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

**মিন :** মীচং ৱাৎলোই অদুনা চিংনবা লৈতনা পাংগে খনবা থবক পাইবা য়াগনি। থৌনা ফুদোকপা অমদি ইচংথৌনা মাঙলোমদা চংশিনবা য়ারগনি। শেল চংই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক থোইনা ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।